## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): পব্লিক ঠিএটর আর্টিষ্ট এসোসিএসন ফোইজিং নম্বোলগী মতম কুইনা এক্টর কম লাইফ মেম্বর ওইরম্বা কাংহুজম ভুবোননা থা অসিগী ১৭ তা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি তেকচম ইবোচৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

### Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | |
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

### Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| **IMPHAL → DELHI** | |
| Air Asia (India) | 13:45 |
| IndiGO | 14:30 |
| **IMPHAL → GUWAHATI** | |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:15 |
| IndiGO | 14:15 |
| Air India | 14:20 |
| **IMPHAL → KOLKATA** | |
| IndiGO | 10:50 |
| IndiGO | 14:25 |
| Air India | 15:10 |
| IndiGO | 15:20 |

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.800561 |
| US Dollar | 71.122726 |
| British Pound | 92.477196 |
| Australian Dollar | 49.090763 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.150678 |
| Japanese Yen | 0.649815 |
| Malaysian Ringgit | 17.176561 |
| Australian Dollar | 49.090763 |
| Singapore Dollar | 52.489691 |
| South Korean Won | 0.061364 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.966060 |
| Thai Baht | 2.356741 |
| Myanmar Kyat | 0.04750 |
| Bangladesh Taka | 0.83698 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 38898.40 |
| Mumbai | – | Rs | 39732.62 |
| Delhi | – | Rs | 39732.62 |
| Kolkata | – | Rs | 40021.39 |

## GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto: 28/10/2019
Valid From: 23/10/2019
***14 Kg Stk : 612***
***5 Kg Available***
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE**
Booking Upto: 18/11/2019
Valid From: 14/11/2019
***Stk : 612***

**HARAN VALLEY, KWAKTA**
Booking Upto: 13/10/2019
Valid From: 10/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**IMPHAL LPG SERVICE**
**19 kg Cylinder Available**
**Stk : 110**
**5 kg Available**
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.30am onwards
Payment for home delivery can be made on non delivery day
(First Come First Serve)

**K & K INDANE SERVICE**
Booking Upto: 05/11/2019
Valid From: 03/11/2019
**Stk : 306**
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**LAMBODARA INDANE**
Booking Upto: 01/12/2019
Valid From: 20/11/2019
***Stk : 306***
Timing: 08.00 am to 10.00 am

**M.M. GAS SERVICE**
Booking Upto: 28/10/2019
Valid From: 24/10/2019
***Stk : 612 (DBTL Only)***
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

**MAIBIA GAS MOIRANG**
**Sl. No.: 3701 – 4250**
Booking Upto: 30/10/2019
Valid From: 25/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 11.00 am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto: 21/11/2019
Valid From: 09/11/2019
***14.2 Kg Stk : 612***
***19 Kg Available***
Timing: 07.30 am to 11.00 am

**R & H, IRILBUNG**
Booking Upto: 22/10/2019
Valid From: 15/10/2019
***Stk : 612***
Timing: 08.00 am to 11.00 am

**RBD INDANE GAS**
Booking Upto: 02/11/2019
Valid From: 20/10/2019
***Stk : 612 (Only CTC)***
Timing: 07.00 am to 10.30 am

**J RONGMEI SK INDANE, WANGOI**
Booking Upto: 24/10/2019
Valid From: 23/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 06.30 am to 09.30 am

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto: 30/10/2019
Valid From: 26/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**HEIROK INDANE**
Booking Upto: 02/11/2019
Valid From: 22/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.30 am

# 'বিনিফিসরিশিংগী শেল মরম চাদনা ফাজিনবীরে'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): হৌখিবা জুনগী ২৪ অমদি জুলাইগী ৩দা ৱাঙ্গৈাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী বিনিফিসরি পূন্না ২০৮ থাগৎপগী মনুংদা ১৬৭ অসি টাউন প্লানিং দিপার্টমেন্টনা অয়াবা পীদুনা বিনিফিসরি মশা-মশাগী একাউন্টদা শেল কাপ্পবা খঙহনখ্রবসু ঙসি ফাওবা বিনিফিসরি কয়াদা ফংহন্দনা উৎলৈ-পারে তৌদুনা চ্যেরপার্সন অমদি এগজিক্যুটিভ ওফিসরনা মরম চাদনা ফাজিন্দুনা থম্বীরে হায়না হাউশিং ফোর ওল ৱাঙ্গৈাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী বিনিফিসরি লোংজম ওংবী যুমশংনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা বিনিফিসর ময়াম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা যুমশঙনা মখা তানা হায়, হান্নগী চ্যেরপার্সননা বিনিফিসরিশিংগী স্কিম অসিগী মখাদা ফংফম থোকপা শেনফমশিং ফংহন্নবা সেক্রেটরিয়েটকী কন্সর্ন ওথোরিটি, মিনিষ্টর অমদি চিফ মিনিষ্টর ফাওবগী থাক য়ৌনা হোৎনখি। অদুবু পোলিটিক্সকী অখুবা মীৎয়েং অমদি অঙম-অথৌগী খুৎ চঙবনা হোৎনবা পুম্বা অরেম্বা তাখি।

প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা অর্বান হাউশিংগী স্কিম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী য়াম্না মরু ওইবা স্কিম অমগীসু মনুং চল্লিবনি। অদুবু ৱাঙ্গৈাই ম্যুনিসিপালগী ওইনদি ঐচ এফ এ, পি এম এ ৱাই অসি কাংখোঙ চাইবা, মথোং মরম খঙহন্দবা, অচান মীরাই নায়বা মীচং শঙ্গা অমদি কনাগুম্বা অমগী ফুরিৎখাউদা হাপচিন্দুনা মনা পাম্বা পীনিংবা মীওইশিংদা স্কিম অসিগী গাইদ লাইনগী ৱাংমদা কুশি-রাশি চথদুনা লৈরে হায়না মরাল শীরি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি নগর পঞ্চায়ট হায়বা অসি লোকেল সেল্ফ গভর্নমেন্ট ওইবতা নৎতনা গুদ গভর্নান্স অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইরিবা পিল্লর অহুমগী মনুংদা অমসুনি। মনিং মখা তম্বা মশাগী এক্ট অমদি রুলস লৈজরিবা কাউন্সিল অসিবু লোয়না নমহৎপীরগা অঙম-অথৌ মীওই অমগী পোলিটিক্সকী খোঙবী খোঙনাও ওন্থোকপা অসি লাইবক থীবনি। কন্দক ওফ ব্যুজিনেস এন্দ রুলগী ৱাহন্থোক খঙদবনি হায়নসু লৌই।

স্কিম অসিগী মখাদা যুম শাজরবা লৈতা-লাইরবা, শেন্দোই পুদুনা অমদি মতেং লৌদুনা যুম শাবা হৌগৎচরুবা বিনিফিসরিশিং কয়াদি স্কিম অসিনা পীরিবা পান্দম অদু ফংবা ঙম্লোইদ্রা হায়বগী নুংনাংবগা লোয়ননা মকোক্তা খুৎ হাপ্পরে। হায়রিবা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা বিনিফিসরিশিংনা ৱাঙ্গৈাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন অমদি ই ওনা চথরিবা থৌওংশিং অসি পেন্দবদগী চিফ মিনিষ্টরগী মীয়ামগী নুমিৎ নবেম্বর ১৫দা অইবা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখি। হায়রিবা ৱাকৎ চে অদু চ্যেরপর্সনদা থাদরকখি। নুমিৎ অসিমক্তদা বেনিফিসরি ময়াম্না চ্যেরপর্সন এল ইবোতোন মশাদা পীশিনখি।

মহাক্লা য়াম্না থুনা শেল পীরগনি হায়না হায়রকখি অদুবু নুমিৎ কয়ানি ঙাইরবা ফাওবদা বিনিফিসরিশিংগী ফংফম থোকপা শেনফমশিং অদু ফংলক্তবা মরম্না কাউন্সিলগী ওফিসতা শেল থাদোক্তবগী মরম খঙনবা হোৎনখি। ই ও উন্নদুনা শেল থাদোক্তবগী মরম হংলুবদা ই ও মশামক্লা বেনিফিসরিশিংবু য়াম্না করেম্ননা খুন্নকখি। প্রোব্লেম অমৎতা লৈতে করিমৎতা ৱাৎতে অঙন্থনা থিংবনা মহাক্লা শেল থাদোক্তবনি হায়না হায়রকখি হায়রি।

লাইরবা বিনিফিসরিশিংগী ৱাকৎ তাবিনবা ঙসিগী লৈঙাক অসিদা মপী-মপা কনাসু লৈতব্রা। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনা বিনিফিসরিশিংগী অৱাবা অসি কোকহনবীনবা ফোঙদোরক্লি।

## অহলশিংদা নিংথম খুদোল তমখ্রে

ককচিং, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী কনা লৈজদ্রবশিং, তোল্ল-তারবশিং অমদি শোথরব-শিংগীদমক্তা তৌবা ঙম্বা থবক থৌরমশিং তৌগনি হায়না য়ু দি সী ৱাবগাই এ সীগী কনভিনর রিয়াজুদ্দিন অরিবমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি য়ুনাইটেদ য়ুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ৱাবগাই এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি (য়ু ৱাই দি সী-দব্লিয়ু এসী) না শীন্দুনা মীয়ামদা অহুমশুবা তাঙ্কক্কী তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপা অমদি নোংমগী ওইবা ভোল্লিবোল এগজিবিসন অমা ঙসি সন্থেল ভিলেজ প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরমদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীবদা রিয়াজদ্দিন অরিবমনা ফোঙদোকখিবনি।

এম দি রিয়াজুদ্দিন অরিবমনা হায়খি, য়ু দি সী অসি ৱাবগাই এ সীদা লৈরিবা চাউখৎপা পাম্বা, ৱাখল মান্নবা, তোল্ল-তারবা, অৱা-অনা তারবশিংদা তেংবাং পীনিংবা কাঙবুনা পুনশিল্লগা শেম্বনি। কম্মিটি অসিগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি ৱাবগাই এ সী খক্তা নত্তনা অওনবা মণিপুর অমা পুরকপনি। মরম অসিনা মীয়াম্নসু কম্মিটি অসিবু পূক্লিং য়ৌগৎপীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা ককচিং জিলা পরিষদকী অধক্ষা পি ঐচ জিতেন, হয়েল হঙ্গুন জি পিগী প্রধান এম দি সিকন্দর আলি, য়ু দি সী-দব্লিয়ু এ সীগী কনভিনরসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর এম দি রিয়াজুদ্দিন অরিবম, হবিবুর রহমন, ৱাংজম শ্যামজাইনচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱাবগাই এ সীগী মনুং চনবা উচিৱাদগী কৈরক ফাওবদা লৈবা অহল ওইরবা মীওই ৪৫০ রোমদা নিংথমগী খুদোল ওইনা ব্লাঙ্কেট অমমম পীখি।

# দেপ্যুটি স্পিকরনা মহাক্কী তোলোপতগী পীবা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর ওইরিবা কোংখাম রোবিন্দ্রোনা মহাক্কী এম এল এগী তোলোপতগী অহলশিংদা পীবা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩২ দগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৪১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অহল ওইরবশিংদা দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা অনীশুব ফেজগী ওইনা পেন্সনগী শেনফমশিং অদু ফৌবাকচাও ময়াই লৈকায় ইদিগাগী কম্যুনিটি অমসুং লফুপাৎ তেরা কালিকা লাইরেম্বী লাইবুংদা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংদা খুৎশিন্নখিবনি।

ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা হায়খি, ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুংদা লৈবা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা অহলশিংগী মরক্তা ষ্টেট অমদি নেসনলগী ওল্ড এজ পেন্সন ফংদ্রিবশিংদা মহাক্লা ফংলিবা তোলোপতগী ওল্ড এজ পেন্সন পীবনি। এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা অহল ওইরবশিংগীদমক লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎননবা হোৎনরি। মীওইবা হায়বসি নোংমদি অহল ওইরক্কদবা ঙাক্তনি। অহল ওইরগা থাগী পেন্সন খরদং ওইরবসু ফংবা অদুনা মনিং তম্না করিগুম্বা খরদং ওইরবসু তৌবা ঙমজগদবনি। মশাগী চহী ৬০ দি হেল্লবা এ সী অসিগী অহলশিংনা ফংদনা লৈরিবা ষ্টেট অমদি নেসনলগী পেন্সনশিং অসিসু ফংহন্ননবা হোৎনরি। এম এল এনা এ সী অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১ দগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেলগী পেন্সন ফংদ্রিবা অহলশিংদসু মহাক্কী থাগী তোলোপতগী পীবা পেন্সনগী শেনফমশিং অসি অথুবা মতমদা খুৎশিন্নরগনি।

ময়াং ইম্ফাল এ সীবু চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু তেংবাংবীয়ু। এ সী অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা করি করম্বা থৌরাংশিং লৌখৎপা য়াবগে হায়বদুসু অহল ওইরবশিং, ইন্টলেকচুয়লশিংনা অফবা সজেসন পীবীয়ু। থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনজগে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলগী প্রসিদেন্ট ইরোম রবি, বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মহিলা মন্দলগী প্রসিদেন্ট হৈস্নাম সুসিলা, সোসল ৱার্কর কোংখাম মংলেম, লফুপাৎ তেরা কোন্নাখোং জি পিগী প্রধান এন বসন্তা অমদি ৱার্দ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

## হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অমদি হ্যুমেন রাইটস অলর্ট অনীনা খুৎশমন্দুনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা এক্সেস টু জষ্টিস ইন মণিপুর হায়বা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা নোর্থ এ ও সীদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলগী রোয়ল হোলদা পাঙথোকখ্রে। মণিপুরদা মতম অমদা ওইরম্বা হ্যুমেন রাইটসকী ফীভমগা য়েংনরুরবদি ঙসিগী মণিপুর য়াম্না ফরে হায়বা য়াই। অদুবু ঙসিসু মণিপুরদা হ্যুমেন রাইটসকীদমক তৌগদবা থবক য়াম্না লৈরি হায়না থৌরম অদুগী চ্যেরপর্সন ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মণিনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী স্পিসিয়ল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা কম্মনৱেল্থ হ্যুমেন রাইটস ইনিসিয়টিবকী দিরেক্টর ডা. সঞ্জোয় হজারিকানা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা ঙসিসু ইন্দিয়াগী ফীভম ফীদমনিংঙাই ওইবা হায়বদু ওইদ্রি। অদুমকপু লৈবাক অসিদা অহোংবা কয়াদি লাক্লে হায়খিবগা লোয়ননা আফস্পা এক্ট লৈরিবা মফমশিংগী জষ্টিস রিপোর্টকী মতাংদসু ৱাফম কয়া থমখি। থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা টাটা ট্রষ্টকী মায়কৈদগী লাকখিবা ৱালৈ সিংহনা মণিপুর : ইন্দিয়া জষ্টিস রিপোর্টকী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। হ্যুমেন রাইট অলর্টকী এগজিক্যুটিব দিরেক্টর ববলু লোইতোংবমনা থৌরম অসি করিগীদমক মরিপুরদা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈবনা পাঙথোকলিবনো হায়বগী মতাংদা খুদম চাংদম কয়া পীরদুনা থৌরম অদুগী মরুওইবা ৱাফম কয়া থমখি।

## শগোলবন্দ এ সীগী বিনিফিসরিশিংদা ৱাটর টেঙ্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা লৈরিবা মীওইশিংদা অফবা থবক তৌবদা থাগৎপগী হৈনবী লৈতবা অসি শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। নত্রবদি লমদম অসিদা মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌরিবা লুচিংবশিংগী থাম্মোয়দা অৱাবা-নুংঙাইতবা কয়া ফাওহল্লি হায়না ঙসি বি জে পি শগোলবন্দ মন্দলনা শিন্দুনা তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবা মন্দল ওফিসতা পাঙথোকখিবা এম পি লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা রেন ৱাটর হর্ভেষ্টিং প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ৱাটর টেঙ্ক য়েন্থোকপগী থৌরম অমদা ইনর মণিপুরগী এম পি আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়, মণিপুরদা আই এল পি চৎনরকপা অসিসু অরাইবা থবক অমদি নৎখিদে। মণিপুরগী মীয়াম্নদি পার্লিয়মেন্টদা চৎতুনা ৱাফম কয়া ঙাংহন্নিংই অদুবু লৈবাক অসিগী ৫০০ হেনবা এম পিশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা পার্লিয়মেন্ট সেসন অদুদা ৱা ঙাংনবগীদমক প্রোসেস কয়া অমা লৈতবা নত্তে। পার্লিয়মেন্টদা মণিপুরগী ওইবা ৱাফম কয়া অমা থমখ্রে। অদুবু লমদম অসিগী মীওই খরনা পার্লিয়মেন্টদা চৎতুনা ৱা ঙাংদনা তুমদুনা লৈ হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অসি হায়হন্নিংদে। লৈবাক অমগী নিংথৌ নত্রগা লমদম অদুগী মীহুৎ ওইরিবা লুচিংবশিংদা থাজবা লৈত্রবদি লৈবাক অদু অমদি লমদম অদু করম্না চাউখৎপা ঙমগনি। মরম অদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংদা থাজবা থম্ফম থোকই লোয়ননা মরমদম নুংশিদুনা হোৎনজবা মীশক খুদিংবু পুক্লিং য়ৌগৎপিয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈরগা মীয়ামগী খোল্লাউ অমদি অপাম্বা তৌবা ঙমদ্রগদি এম পি অমা ওইনা লৈবগী মথৌ তাদে হায়না খঞ্জরগা থবক তৌবা মীশক অমনি হায়বসি মীয়াম্না খঙবিয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা হান্নগী সগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা কে ঐচ লোকেননা হায়, মীয়ামগী অৱাবশিং কোকহনগে হায়না পোলিটিক্সতা খোঙদারকপনা মীগী অৱাবা উবা মতমদা মতেং পাঙনিংবা অমদি নুংঙাইবা উবদা হরাউবা ঙম্বা মীশক অমনি। শুপ্পগী ঈশাগী ওইজবা থীগে হায়দুনা পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা মীশক নত্তে। মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, থবক ফংদনা ৱানা লৈরিবা নহারোলশিংবু লৌয়োলহন্দুনা মখোয়দগী শেল লৌদুনা থবক তৌহনগদবা মীশক অমসু নত্তে। মরমদি নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা এমসুগী মরুওইবা থৌ পুদুনা লৈবাক্কী য়াইফনবা চেল্লকপা মীওই অমনি। মরম অদুনা ফত্তবা ৱাখল চেনবা, মশাগীতা খুদোংচাবা থীবা পোলিটিসিয়ন অমা কৈদৌঙৈদা ওইরোই হায়নসু ফোঙদোকখি। ঙসি মীয়ামদা য়েন্থোক্লিবা ৱাটর টেঙ্ক অসি সগোলবন্দ এ সীগী যুমথোং খুদিংদা পীনিংবনি অদুবু মদু ওইথোকপা ৱাবা মরম খরা লৈবনা তঙাইফদনা ৱাটর টেঙ্কগী মথৌ তারিবা মীওই ২৫০ খনগৎলগা পীবনি হায়খি। থৌরম অদুদা শগোলবন্দ এ সী গী হান্নগী এম এল এ সোরাম নাতুম, বি জে পি শগোলবন্দ মন্দলগী প্রসিদেন্ট ডা. ঐচ রুহিকান্তাসু শরুক য়াখি।

## কেট টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ককচিংবু মহৈ-মশিনগী লমদা হেন্না মগুন লৈবা অমসুং হেন্না মাঙজিল থাবা লমদম অমা পুরক্লবা পান্দমদা ককচিং এদ্যুকেসনল ট্রষ্ট (কেট), ককচিংনা শীন্দুনা লিশাং-শিংনা চথরকপা ক্লাস আইটকী এগজামিনেসন থাখ্রবা, ক্লাস নাইন তমগদবা মহৈরোয়দা ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবা তম্বগী চহী মরি চুপ্না পীগদবা কেট স্কোলারশিপ এৱার্দ অমসুং তোঙান তোঙানবা এৱার্দশিং পীনবগীদমক পাঙথোকপা কেট টেষ্ট ২০২০ ঙসি জে আর দি পাথসিকর, একাদেমী, ককচিং ইরেংবন্দ লম্বীদা পাঙথোকখ্রে। ককচিংদা পোকপা অমসুং ককচিংদগী হৌরকফম ওইবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা টেষ্ট অদুনা কেট স্কোলারশিপকীদমক পাঙথোক্কদবা ইন্টর্ভিয়ুগীদমক মহৈরোয় ১৪ খনবদা গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংগী ওইনা মহৈরোয় ৮ খনগৎখ্রে হায়রি।

## লৈঙাক্লা পি এম ঈ জি পিগী মখাদা লোন পীনবা লৌখৎখিবা...

*লামায় ১গী মখা...* অকুপ্পা ৱারোল (দিটেল)শিং য়াওখিদে। লোয়ননা লোন অসিগীদমক ইলিজিবল ওইরবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট ফোঙগদবনি। মসি নৎত্রগদি লোন অসিগীদমক পীরিবা স্কিমশিং অদুদগী করম্বনো হায়বশিং খন্দোকপা ঙমদে হায়রি।

কোর্টনা পি আই এল অসি এদমিট তৌদুনা লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েলদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট জুনো রহমননা লেপখি অদুগা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল এস রুপচন্দ্রনা লেপখি। অদুগা হৌখিবা যুমশকৈশা নুমীৎতা চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস এম ভি মুরালিদরন অনীগী দিভিজন বেঞ্চ অমগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-২ দা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলগা পিটিসন অসিগী হিয়রিং পাঙথোকখ্রে।

নুমীৎ অসিদা কোর্টনা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না পিটিসন অসিদা রেস্পোন্দেন্ট ওইনা য়াওরিবা লোয়শঙ অসিগী ওথোরিটি অহুম অসিনা পি এম ঈ জি পিগী মখাদা লোন পীনবা থবকশিং পাঙথোকপদা ট্রান্সপরেন্ট ওইনা পাঙথোক্লবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা পিটিসন অসিগা মান্নবা পি আই এল নম্বর-২৯ ওফ ২০১৮গী মতাংদা কোর্ট অসিনা সেপ্টেম্বর ২৪, ২০১৯দা পীখিবা দিরেক্সনশিং অদুগা মান্নরবনিনা মসিগী ওর্দরশিং অসিসু পি আই এল নম্বর- ৫৩ ওফ ২০১৯ অসিদা এপ্লিকেবল ওইরে হায়খি।

মরম অসিনা পি আই এল অসি দিস্পোজ তৌবগা লোয়ননা লোন অসিগী মতাংদা মমাং থাগী ২১দা থারকখিবা ৱাকৎ অসিগা মরী লৈনরিবা ওথোরিটিশিং অসিনা থেংলবদা মথং থাগী ১৭ ফাওবগী মমাংদা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

## হায় কোর্টনা পীখিবা ওর্দরগী মায়োক্তা...

*লামায় ১গী মখা...* অসিনা তৌগদবা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক অসি কোর্টকী ওর্দর অসি ফংবা নুমীৎতগী পারগা থা ৩ ফাওবগী মনুংদা হৌগদবনি হায়নসু খঙহনখিবনি। অদুবু হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিগী মায়োক্তা এম পি এস সীনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লীভ পিটিসন (এস এল পি)শিং ফাইল তৌরকখিবনি। কম্মিসননা ফাইল তৌরকখিবা এস এল পি অদুগী নম্বর- ২৯৮০৪- ২৯৮০৮ ওফ ২০১৯নি।

কম্মিসননা ফাইল তৌখিবা এস এল পিশিং অদু হৌখিবা যুমশকৈশা নুমীৎতা কোর্ট অসিগী জষ্টিস মোহন এম শান্তনা গৌদার অমসুং জষ্টিস আর সুভাশ রেদ্দিগী কোরমদা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে।

জষ্টিস অনীগী কোরমদা পাঙথোকখিবা এস এল পিশিং অসিগী হিয়রিংদা মসিগী পিটিস্নর ওইখিবা এম পি এস সীগী মায়কৈদা সিনিয়র এদভোকেট গোপাল সঙ্করনরায়নন, এদভোকেটশিংদা সুধাকর দ্বিভেদি, এ দেবকুমার, শ্রুতাঞ্জয়া ভারদৱাজ অমসুং ভি শুকলা অমদি এদভোকেট ওন রেকোর্দ এ লক্ষমিনরায়নননা লেপখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদভোকেট সঞ্জোয় ঘোশ, রিশাভ জেটলি, প্রশান্ত ভুশন, জটিন ভরদাৱাজ, রারি মঙসাতাবম অমদি এদভোকেটস ওন রেকোর্দশিংদনা কাউতুভ অন্সুরাজ, নেহা রঠি অমসুং প্রনভ সচদেবনা লেপখি।

কোর্ট অসিনা আপিলশিং অসিগী হিয়রিং চথরবা মতুংদা পীখিবা ওর্দরদা মসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখি। নোটিসশিং অসি দষ্টি ওইনা ইস্যু তৌবদসু অয়াবা পীখি। লোয়ননা ইস্যু তৌরিবা নোটিসশিং অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না কন্দক্ট তৌগদবা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মতাংদা পিটিস্নরনা তৌরক্লিবা প্রেয়রগী মতাংদা খক্তনি হায়নসু খঙহনখি। অদুগা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চনা পীখিবা জজমেন্ট এন্দ ওর্দর অদুগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা আপিলশিংদি মাঙজৌননা দিসমিস তৌখ্রবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। এম পি এস সীগী এস এল পিশিং অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট আপিল নম্বর- ১৯ ওফ ২০১৭ ফাইল তৌরকখিবা ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবীদগী শালিনী চিংথাম (৩৩), অপোকপা সী ঐচ বিক্রমজিৎ অমসুং মহাক্কী কাঙবুগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চনা ওক্টোবর ১৮, ২০১৯দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুবু শীংনদুনা সুপ্রিম কোর্ট অসিদা ফাইল তৌনরকখিবা এস এল পিশিং অদু লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিনা মমাং থাগী ২২ দা দিসমিস তৌখ্রবনি।

## মীওই অয়াম্বা অতনবনি হায়রিবদু...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাটর মেনেজমেন্ট মপূং ফানা তৌরবদি দবল ক্রোপ্পিং খক নত্তনা ট্রিপল ক্রোপ্পিং ফাওবা তৌবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, লৈঙাক্লা ইরিগেসন সিষ্টম অসি মপূং ফানা শেমগৎপা মথৌ তাই। ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা ইরিগেসন তৌরিবা মফমশিংসু মপুং ফানা তৌদনা লৈরে। লৌখোং কয়া তৌরবসু ইরিগেসন মপুং ফানা তৌবিদ্রবদি লৌখোং তৌবগী করি ৱাহন্থোক লৈরি। লৈঙাক্লা তুং কোইনা চৎনগদবা চৎন-কাঙলোন কয়া লৌমীশিংগীদমক শেম্বীবগী তঙাইফদবা লৈ।

ঙসি-ঙসিমক ওল ইন্দিয়াগী ওইনা কিষান সঙ্ঘনা লৌমীশিংগী ওইনা চহী অমদা সবসিদি ওইনা লুপা ৮০০০ পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌখিবগী মতুংইন্না পি এম কিষান স্কিমগী মখাদা লৌমীশিংদা চহী অমগী ওইনা সবসিদি লুপা ৬০০০ পীরে। অদুবু য়াম্না লুরিবদি ষ্টেট অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরিবা সবসিদি অসি করম্বা মখলগী লৌমীশিংদা পীগদৌরিবনো হায়বদি লৌশাল পীরগা লৌ উরিবা মীওইশিংনা ফংগদৌরিব্রা নত্রগা লৌগী মপু ওইরিবা অদুনা ফংগদৌরিব্রা হায়বসিসু চাউরবা ৱাহং অমা ওইরি। মরমদি ঙসি ফাওবদা লৌশাল পীরগা লৌ উরিবা মীওইশিং রেজিষ্টার তৌবগী সিষ্টম অদু লৈত্রি। সিষ্টম অসি লৈতবনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরিবা সবসিদি অসি লৌ উদবা লৌ মপুনা ফংগদৌরে। রেভিন্যু দিপার্টমেন্টতা রেকোর্দ লৈরিবসি শুপ্পনতগী পট্টা অমদি দাগ চিঠা হায়রিবা অনীসি খক্তংনি। অদুবু টেনান খতিয়া হায়বদি লৌ অদু কনানা উরিবগে হায়বগী রিকার্দ লৈতে। মরম অদুনা অসিগুম্লবা সিষ্টমশিং অসি লৈঙাক্লা শেমদোকপীবগী তঙাইফদবা লৈ। ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘনসু গভর্ণমেন্টনা পীরক্লিবা সবসিদি অসি মশাগী লৌ লৈজদ্রবসু লৈত-লৈতনা মীঙোন্দগী শেল পুদুনা লৌ উজরিবা মীওইশিংদা ফংহন্নবা কন্না হোৎনরি।

ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘনসু লৌমীশিংদা কিষান ক্রেদিট কার্দ (কে সী সী) পীবা ঙম্নবা, ফার্মর ক্লব সিষ্টম পুশিল্লক্তুনা বেঙ্কশিংগা পুল্লগা থবক তৌমিন্নবা অমদি দবল ফার্মিং তৌদুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। লৌমীশিংনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা লাকপা হায়বসি অৱাবা থবক অমনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা লৌমীশিংগী মনাক্তা চৎতুনা মতেং পাংবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা পুন্নমক্লা লৌমীশিংগী য়াইফনবগীদমক পূকচেল শেংনা থবক তৌহন্নিংই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টনা...

*লামায় ১গী মখা...* কয়া অদু খঙমিন্নবা চঙই। সী এ এ লাক্লিঙৈদদি আই এল পি অসি য়াম্না মরুওইবা টুল অমা ওইরম্বা য়াই। অদুবু সী এ এনা শোকহল্লক্কদবা কয়া অসি আই এল পিনা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়বা থাজদে। সী এ এদা য়াওরিবশিং অমদি আই এল পিদা য়াওরিবশিং অসি নীংথিনা খঙমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম পি সী সীগী ৱাঙাংলোয় হরেশ্বর গোস্বামিনা হায়খি, আই এল পিদা য়াওরিবা কয়া অসিনা মীয়াম্না পান্নিবা চাং অদু য়ৌবা ঙমগনি হায়বা থাজদে। মীয়ামগী অপাম্বা ফংহনবা ঙমদ্রবদি কোংগ্রেস পার্টিনা খোঙজংশিং চঙশিনগনি। মীয়াম্না তক্লদুনা লাকখিবা মণিপুর পিপল বিল হৌজিক অয়াবা পীদ্রি। আই এল পিগী সেদ্যুলদা য়াওরিবশিং অসিনা কদায় ফাওবা মণিপুর মীয়াম্না পান্নিবা লমদমসিগী শক্তম ঙাক্লবগী মতাং অসি থবক্তা ওন্থোরকপা ঙমগদগে হায়বা ৱাফম অসিনি। আই এল পি হায়বসিদি ইন্নর লাইনগী ওইবা চৎন-কাঙলোন অদুনি। মসিদা ফোরেনরগী নত্তে। সী এ এ অসিদি ফোরেনরগী ইস্যুনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## খৃষ্টমাসকী য়াইফ...

*লামায় ১গী মখা...* অসিনা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা পাউজেল পীরক্লি।

হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা থাদোরকপা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, খৃষ্টমাস কুম্হৈনা লাকপদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীজরি। পাপনা থল্লবা মালেমদা অৱা-অনা তারবশিংগী মরূপ ওইনা অমসুং অশোন-অনাশিংগী খোঙলোয় ওইনা, পাপ চেল্লবা মীওইবগী পূন্সিবু অচুম্বগী লম্বীদা লমজিংবীরম্বা, থৌজাল লৈবা, ঙাকপী হৈবা, অচান-মিরাই নাইদবা, তাইবং শেম্বা মপূগী মচা যীশুনা মীওইপোক্তা পোক্তুনা মীয়ামগীদমক ক্রোসতা পাং তিংদুনা থৱায় ফাওবা কৎপীখি। নুংঙাইরবা খৃষ্টমাস কুম্হৈ অসি লাকপগা ইরোয়ননা লাইনীং, জাৎ-কুচু, কাঙলূপ কয়ানা পুল্লবা মালেম অসিদা ঐখোয় খূদিং নুংশি-চান্নননা লৈমিন্নবা, হুরান-চিন্থি, মীনম শোরি য়াওদবা, খেন্নবা লৈতবা অমত্তা ওইবা ৱাখলদা মাগী-ঐগী খায়দনা কাঙলূপ খূদিং নুংশি-চান্ননা লৈবা ওইরসনু হায়না প্রভু যীশুগী মফমদা থৌনীজবগা লোয়ননা হাৎন-শুনবা য়াওদবা, চাউখৎপা লমদম অমা, ঈংনা-চিক্লা, নুংশি-চান্না, চাকহোং-ঙাহোংনা পানবা ইরমদম অমা কুম্হৈ অসিনা লাকপদা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা পাউজেল পীরক্লি।

## সোটিনকুমারবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা...

*লামায় ১গী মখা...* অমরোমদা, ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়নননসু এল সোটিনকুমারবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্লবা তকশিল্লক্লি।

এ আই টি য়ু সীগী সেক্রেটরি এ শরতচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯গী মায়োক্তা লৈবাক পূম্বদা লেফ্ট পার্টিশিংনা চথখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইকতা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী)কী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারবু ফাজিনবগী থৌওং অসি য়ানিংদে। মহাকপু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা মহাকপু থাদোকপীরকউ। খোঙজং চঙশিল্লিবশিংগী মথক্তা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা তমথীনা ওৎ-নৈরিবা অসি খুদক্তা লেপহন্ননবা অমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পাম্নদ্রবা সী এ এ অসি খুদক্তা রিপিল তৌ হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর নুপী মরূপনসু সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারবু অমুক হন্না ফাজিনখিবা থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর নুপী মরূপকী জেনরেল সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এল সোটিনকুমারবু সী এ এগী মুভমেন্টতা লুচিংবগীদমক হন্না-হন্না ফাবা হায়বসি ওল মণিপুর নুপী মরূপনা কন্দেম তৌই। সী এ এগী মায়োক্তা মণিপুরদা খোঙজং কয়া চথখিবদা ওল মণিপুর নুপী মরূপনা শৌগৎতুনা লাক্লি। মণিপুরগী অহানবা অমসুং অনীশুবা নুপী লাল অমদি হীরম খূদিংদা নুপীশিংনা মুভমেন্ট কয়া চথরি। লৈবাক্কী অফবা, অওনবা পুরক্লবা হোৎনরি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা ফ্রীদম ওফ স্পিচ লৈগনি। য়ানিংবা, য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবগী রাইট লৈগনি। সোটিনকুমারবু ফারবা মতুংদা বেলদা থাদোক্লবা মতুং অমুক হন্না ফাজিনবগী থৌওং অসিদি অকনবা মওংদা য়ানিংদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মৈতৈ-পাঙলশিংগী ওইরিবা ফীভমশিং...

*লামায় ১গী মখা...* মরমদা নীংথিনা থিবগা লোয়ননা অথৌবশিংগী ওইবা মফম অমা শেম্নবা হোৎনমিন্নসি। অথৌবশিংবু ঈকায় খুম্নবা হায়বসি ঐখোয়গী য়াম্না মরুওইবা অমনি। অসিগুম্বা পুৱারীগী মরুওইবা তাঙ্ককশিং খঙমিন্নবগা লোয়ননা অমত্তা ওইবগী শক্তম অদুসু শাগৎমিন্নবা তাই। তাঙ্কক কয়াদা পাঙল ইপা-ইপুশিংনা লৌখিবা থৌদাং কয়া অদু ঐখোয়না ঈকায় খুম্নবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মণিপুরগী পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা লৈরিবা পুন্নমক অসি ঐখোয়না খঙমিন্নবগা লোয়ননা মখোয়বু ঈকায় খুম্নবা উৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি।

মণিপুরদা হজ হাউস অমা শানবা থৌরাং লৈ। মপান্দগী লাকপা মৈতৈ মুস্লিমশিংনা লৈবা য়াবা গেষ্ট হাউস অমা শেম্বীবা হায়বা ৱাফম থল্লক্লিবা অসি হজ হাউস অসিদা অদুম্মক পুনশিনবা য়াই। ষ্টেট অসিগী লৌউ-শিংউ য়ারিবা মফমশিং কন্নবা লৈঙাক্লসু অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। য়ুম-কৈ শাবা মতমদা অৱাংবা বিল্ডিং ওইনা শাবগী তঙাইফদবা লৈরে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ুম শাবদা গ্রাউন্দ প্লস ৮ ফাওবা শাবা য়ানবগী পীখ্রবনি। লোননচিংবা লৌরগা বিল্ডিং শাদুনা ফ্লেট সিষ্টমদা লৈবগী খোঙথাং ফাওবা পায়খৎপা চুম্লগনি।

মণিপুরদা আর এ পিনচিংবা লৌথোকখিবদগী মপান লমদগী মী লাকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। হৌজিক আই এল পিসু লাক্লে। মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কনবগী মরুওইবা পাম্বৈ ওইরগনি। য়াম্না কন্না ষ্ট্রিক তৌশিনবসু খন্ননিংঙাই ওই। মরমদি য়াম্না চেকশিনমল্লবসু মী লাক্লিংদবগী মওং অমা লাকপসু য়াই। মসিগীসু খন্নবা চুম্মী। আই এল পি চৎনরবনিনা য়েলহৌমীশিংগীদমক্তি কান্নবা য়াম্না মরুওইবা অমদি ওইরে। মীয়াম্নসু মতম কুইনগী মমাঙদগী তান্নদুনা লাকখিবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অমোকোক্কী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, এম এল এ, এল সুসিন্দ্রো, ফজুর রহিম, ও লুখোই, অসবউদ্দিন, অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাং, কুকি ইনপি মণিপুরগী মীহুৎ খাইমাং, বাংলাদেশ, অসামদগী লাকপা মৈতৈ-পাঙলশিংসু শরুক য়াখি।

**KINGDOM**
**SPOKEN ENGLISH**
**SPOKEN HINDI**
**& COMPUTER INSTITUTE**



**DAILY JUNIOR CLASSES (V TO IX) BEGIN**

**SIR NAOBI LOITONGBAM**
- 19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)

***English Course + Free 1 mth. Computer Course***

For : Students, College Students, Businessmen, Housewives, Office goers, Air Hostess Aspirants, Teachers, Entrepreneurs, Senior Citizens, etc.

COMPUTER COURSES :
- DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing HTML Programmings, Data Entry, etc.
- **Sunday Spoken English Class** only for Class V - IX at 6 am to 9 am

# 7005622203, 7005776944, 7005665814

**Venue : GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER, Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane**

TSE/D-8M
HL-B/5792/9,10,12...